
### এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ

## সচিন অমদি হর্প্রিটনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে

উলনবাটার, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী):

মোঙ্গোলিয়াগী উলনবাটারদা চথুরিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা ঙসি ইন্দিয়াগী গ্রেকো রোমান রেষ্টলর সচিন স্রাৱট অমদি হর্প্রিট সিংহনা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ লৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবদা মেদল ৫ ফংবা ঙমখ্রে।



সচিননা কেজি ৬৭কী কাঙলূপ্তা ঙরাং অহৌবা নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা তুশিনখিবদগী হান্নগী চেম্পিয়ন কজখষ্টানগী মৈরঝান শেরমখানবেটকী মখূৎতা মায়থীখি। মহাক্না ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা উজবেককী মহমুদ বকশিলোভপু ৭-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

হর্প্রিটনা কেজি ৮২গী কাঙলূপ্তা সাউথ কোরিয়াগী সেজিন য়াংবু মনিংদগী তানখৎলত্তুনা ৪-২দা মায়থীবা পীরম্লবা মতুং সেমীফাইনেলদা ইরানগী রাসুল গার্মসিরিগী মখূৎতা ৫-০দা মায়থীখি।

হর্প্রিটকী ঙসি শান্নখিবা ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা মহাক্কী ওপোনেন্ট কটারগী জফর খান অশোকপনা মরম ওইরগা ৱাকওভর পীরম্বদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি। হর্প্রিটনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা হন্দক্কী অসি থারগা মরিরকশুবনি।

অমরোমদা, চেম্পিয়নশিপ অসিগী কেজি ৬০গী কাঙলূপকী ঙসি শান্নখিবা ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর গ্যানেন্দরবু জপানগী অয়াতা সুজুকিনা লাকচনা ১১-০দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদলগী মঙলান কায়হনখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর অনী- বিকাশ অমদি রবিনা কেজি ৭২ অমদি ৯৭কী কাঙলূপ্তা মখোয়গী অহানবা বাউটতা মায়থীদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মেদল রেসতগী মপান থোক্লকখিবনি।

পনবা য়াবদি, চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহৌবা নুমিৎ লৈবাকপোকপদা ইন্দিয়াগী গ্রেকো রোমান রেষ্টলর অহুম- অর্জুর্ন হালাকুর্কি, নীরজ অমদি সুনিল কুমারনা তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটেগোরিশিংদা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ লৌবা ঙমখ্রবনি।

### আই পি এল

## দেল্লী কেপিটেলনা পঞ্জাব কিংসপু মায়থীবা পীখ্রে

মুম্বাই, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী):

মুম্বাইদা চথুরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২২গী ঙসি ব্রবোন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা দেল্লী কেপিটেলসনা পঞ্জাব কিংসপু ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীখ্রে।



দেল্লী কেপিটেলসনা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ৬ শান্নবদা মেটচ ৩ মায় পাক্লগা ৩না মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা টেবলগী ৬শুবা মফমদা লৈরি। অদুগা পঞ্জাব কিংসনা পূন্না মেটচ ৭ শান্নবদা মেটচ ৩ মায় পাক্লগা ৪ মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা টেবলগী ৮ শুবা মফমদা লৈরি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা দেল্লী কেপিটেলসনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা পঞ্জাব কিংসকী বেটসমেনশিংনা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ১১৫ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা পঞ্জাবকী টিম কেপ্টেন ময়াঙ্ক অগরৱালনা বোল ১৫দা রন ২৪ লৌবা ঙমখি। ৱিকেট কিপর জিটেশ শর্ম্মানা বোল ২৩দা রন ৩২ অদুগা শরুখ খান অমদি রাহুল চাহরনা বোল ২০ অমদি ১২দা চপ মান্নবা রন ১২/১২ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বোলিং তৌখিবা দেল্লী কেপিটেলসকী বোলর খালিল অহমদ, অজর অমদি কুলদিপ য়াদবনা ওভর ৪/৪ লংবদা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি। অদুগা ললিট য়াদবনা ওভর ২ লংবদা ৱিকেট অনী অমদি মুষ্টাফিজুরনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা দেল্লী কেপিটেলসকী বেটসমেননা ওভর ১০.৩দা ৱিকেট ১ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা রন ১১৯ লৌরগা পঞ্জাব কিংসপু ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা দেল্লী কেপিটেলসকী ওপনর পৃথিবী শোনা বোল ২০দা রন ৪১ লৌবা ঙমখি। দেভিদ ৱার্নরনা আউট ওইদনা বোল ৩০দা থুনা য়াঙনা রন ৬০ লৌখি অমদি সরফরাজ খানসু আউট ওইদনা বোল ১৩দা রন ১২ লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্নিংস অদুদা বোলিং তৌখিবা পঞ্জাব কিংসকী বোলর রাহুল চাহরনা ওভর ২.৩ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা টাপন শর্ম্মা অমদি রোদ টক্করনা অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭.৩০দা চেন্নাই সুপর কিংস অমদি মুম্বাই ইন্দিয়ন্স অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

## ‘ৱিমব্লেদননা রসিয়ন প্লেয়রশিং বেন তৌবা অসি য়াফম থোক্তে’

মোস্কো, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী):

মোস্কোগী মিলিটরি কেম্পেন য়ুক্রেনদা চথবগী মায়োক্তা রসিয়ন টেন্নিস প্লেয়রশিংবু ৱিমব্লেদনদা শরুক য়াবগী অথিংবা পীরকপা অসি য়াফম থোক্তে হায়না ক্রেমলিনগী ৱাঙাংলোয় অমনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা রসিয়া অসি মপাঙ্গল কনবা টেন্নিস কন্ট্রি অমনি। ঐখোয়গী এথলিটশিংনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী টোপতা লৈরি। ঐখোয়গী এথলিটশিং লৌথোকপা অসিনা কম্পিটিসন অসিদসু অচৌবা চৈথেং ফংগনি হায়খি।

অমরোমদা, টাইমস রিপোর্টকী মতুংইন্না রসিয়াগী মিলিটরি কেম্পেন য়ুক্রেনদা চথবনা মরম ওইরগা ওর্গনাইজরনা রসিয়ন অমদি বেলারস প্লেয়রশিংবু অথিংবা থমখিবনি হায়রি।

রসিয়ন টেন্নিস ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট সামিল টর্পিসেপনা ফোঙদোকখিবদা ৱিমব্লেদনগী ফিরেপ অসি য়ানিংদে অদুবু ঐখোয়না করিসু তৌবা ঙমদে হায়খি।

## লিভরপুলনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে

লিভরপুল, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী):

মহমদ সালানা চনখিবা গোল ২গী মতেংনা লিভরপুলনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু লাকচনা ৪-০দা চথুরিবা প্রেমিয়র লীগকী লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা মেটচতা মায়থীবা পীদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

লিভরপুলনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু মায়থীবা পীবা হন্দক্কী সিজন অসিগী ওইনা অনীরকশুবনি।

লিভরপুলনা মেঞ্চেষ্টর সিটিদগী পোইন্ট ২ হেন্দুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি অদুবু সিজন অসিগী ইংলিশ চেম্পিয়ন টাইটল ফংনবগীদমক লীগ গেম ৭ শান্নগদবা ৱাৎলি।

লিভরপুলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লুইস দাইজ অমদি সাদিও মানেনা গোল অমমম্ শান্নবগী ৫ অমদি ৬৮শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহমদ সালাগী গোল অনী অদুনা শান্নবগী ২২ অমদি ৮৫ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

পনবা য়াবদি, লিভরপুলগা শান্নবা মেটচ অসিদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী ফোরৱার্দ ক্রিষ্টিয়ানো রোনাল্ডো মহাক্কী নৌনা ফংজবা মচানুপা লৈখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অসিদা শরুক য়াখিদবনি।

## নেসনল যোগসনা চেম্পিয়নশিপকী মণিপুর টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচ এন এস):

যোগ ফিজিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী বেন্নর মখাদা পুর্বা মেদিনিপুর জিলা যোগ এসোসিএসননা শীন্দুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলাঘাটতা লৈবা কোলা য়ুনিয়ন হায় স্কুলদা মে ২৬তগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫শুবা নেসনল যোগাসনা চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা নুপী ৪১ অমদি নুপা ২৩ পূন্না যোগ শান্নরোয় ৬৪গী মিং ঙসি দি যোগ ফিজিক ইন্সটিট্যুট এন্দ ষ্টদিজ মণিপুরনা লাউথোকখ্রে।



খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি চহী ৮ ফাওবগী নুপীগী কাঙলূপ্তা বি প্রিন্সি, লুরিনা এল অমদি পি ঐচ কৈনাকুমারীনি।

চহী ৮দগী ১৩ ফাওবগী নুপীগী কাঙলূপ্তা কে এস ঐচ লনচেনবী, এম হরিপ্রিয়া, এন সৈত্যভামা, এল অলভিশ, এন জিরামেশ্বরী অমদি ৱাই লম্হোইবী, অদুগা নুপাগী কাঙলূপ্তা এন মনিশ অমদি পি ঐচ তাইসননি।

চহী ১৩দগী ১৮ ফাওবগী কাঙলূপকী নুপীমচাগীদা নন্দিতা এন, এন অলভিনা, তপাশ্রী এম, কে ঐচ লৈচন চনু, কে ঐচ চনিংখোম্বী চনু অমদি ৱাই য়াইফবীনি। অদুগা নুপামচাগীদা এ লুৱাং মৈতৈ, টি ঐচ শিবনন্দ, পি স্রিনিভাশ, এল মনিচন্দ্র, এন দিন্নর, কে ঐচ অথোইবা মৈতৈ অমদি টি জিরন কুমারনি।

চহী ১৮দগী ২৫ ফাওবগী কাঙলূপকী নুপীমচাগীদা ৱাই শান্তিবালা, এন থাজমানবী অমদি দল্লিয়ু ধাত্রিনি। অদুগা নুপাগীদা এল চিংলেম্বনি।

চহী ২৫দগী ৩৫ ফাওবগী কাঙলূপকী নুপীগীদা এন জি দেভিয়ারানী অদুগা নুপাগীদা আর কে কোইরেংনি।

চহী ৩৫ দগী ৫০ ফাওবগী কাঙলূপকী নুপীগীদা কে ঐচ ইবেমচা, এস সুর্নালাতা, ঐচ দুর্গেশ্বরী, এ শোর্নোলাতা, টি ঐচ রোমিলা অমদি ঐচ জয়বীনি। অদুগা নুপাগীদা এম হেমন্ত, ডা. এস সুভাসচন্দ্র অমদি ঈ সুভাসনি।

চহী ৫০ মথক্কী কাঙলূপকী নুপীগীদা এল ইবেমচা, এন চন্দ্রমুখি, এল সুমিতা, ঈ ব্রজেশ্বরী, এম মমতাজ, কে এস ঐচ তোম্বীতোন, কে এস ঐচ চিত্রলেখা, আর কে তম্ফাসনা, জি শান্তিকিরন, ও মমতা, এন জি সাবিত্রি অমদি এল বিমোলানি। অদুগা নুপাগীদা এম বিজয়, দল্লিয়ু প্রিয়োকুমার, এস লোকেন্দ্রো, এস ইমোচা অমদি ৱাই সনাজাওবনি।

দিফরেন্টলি এবল্ড কাঙলূপকী নুপাগীদা টি ঐচ বোবো, এ জোন, এল রোশন অমদি আর কে বিকেন্দ্রজিৎনি। অদুগা নুপীগীদা এল বেনা, ৱাই মোনিকা, গাইজিল্লু কামৈ অমদি টি ঐচ হেলিনানি।

## সন্তোশ ট্রোফি : পঞ্জাবনা রাজস্থান মায়থীবা পীখ্রে

মলপ্পুরম, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী):

কেরলানা য়ূম্লু ওইদুনা চথুরিবা ৭৫ শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফিগী ঙসি কোট্টাপ্পদি ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা পঞ্জাবনা রাজস্থানবু লাকচনা ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

পঞ্জাবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু অমরপ্রিট সিংহনা শান্নবগী ৩৭ অমদি পরমজিৎ সিংহনা শান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি। অদুগা তরুন স্লাথিয়ানা গোল ২ শান্নবগী ৭০ অমদি ৮১শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা শান্নরোয় অনী পঞ্জাবকী অহানবা গোল চনখিবা অমরপ্রিট অমদি রাজস্থানগী অনকিট শর্ম্মা শান্নবগী ৪৩ অমদি ৫৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

লোইশিল্লকপদা পঞ্জাবকী ২শুবা গোল চনখিবা পরমজিৎনা প্লেয়র ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, মঞ্জেরি পেয়ানাদ ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মেঘালয়া অমদি কেরলা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো ওইখি।

মেঘালয়াগী গোলশিং অদুনা কিনসাইবোর লুইদ অমদি ফিগো সিন্দাইনা শান্নবগী ৪০ অমদি ৫৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। কেরালাগী গোল অনী অদুনা এম মোহমেদ সাফনাদ অমদি মোহমেদ সাহিফনা শান্নবগী ১৭ অমদি ৫৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা কেরলাগী সোয়ল জোসি য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখিবনি।

## ‘ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱুশু টুর্নামেন্টকী মাংওইননা শান্নরোয় অমত্তদা তাক্লমদবা লৈখিদে’



ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচ এন এস):

পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটি পটিয়ালাদা মার্চ ২৮দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱুশু টুর্নামেন্টতা ককচীংদগী শান্নরোয় ৫ খনখিবদা শান্নরোয় ১বু পাউ পীরকখিদে হায়না ককচীংদা বেজ তৌবা এন জি ও অমনা মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু লাইবক থীবনি হায়না টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ককচীংদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখিবনি। টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়ারুবী শান্নরোয় ৱাই থোইথোইবীনা ফোঙদোকখিবদা, টুর্নামেন্ট অসিগী খনগৎলবা শান্নরোয়শিংবু রিপোর্ট তৌরনবা মার্চ ১৯গী পাউচেশিংদা ফোঙনখি। পাউচেশিংদা মার্চ ২২দা রিপোর্ট তৌরনবা থেংনরকপগী মতুংইন্না ককচীংদগী চৎকদবা শান্নরোয়শিং পাউ ফাওনখি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা রিপোর্ট ফংদে হায়দুনা টুর্নামেন্ট অসিদা চৎহৌদ্রবা শান্নরোয় মশাগী ময়ূমদা মার্চ ২০ অমদি ২১দা চৎতুনা হকথেংননা থেংনদুনা মার্চ ২২দা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহনখি অদুবু রিপোর্টিং নুমিৎতা শান্নরোয় ৪খক রিপোর্ট তৌবা লাকখিবনি।

শান্নরোয় ঐখোয় ৪দা করিগুম্বা অমত্তা তানবীরম্বা তৌদনা মীওই অমগী ৱাকৎতা অচূম-অরান থিদনা এন জি ও অমনা মীদিয়াদা থল্লকখিবা ৱাফম অদুনা শান্নরোয় ঐখোয় ৪বু তাকপী-তম্বীরিবা ওজাশিং অমদি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা এসোসিএসন অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মমাংদা ঐখোয় ৪বু মীনম্বা ঙাংবা তাহনবা অমদি তুংগী পূন্সিদা অকায়বা অমা ওইহল্লকপা য়াবগী অকিবা পোকহনবীরে হায়খিবগা লোয়ননা মসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## হোক্কী শান্নরোয়শিং রেজিষ্ট্রেসন অমদি রিন্যুএল তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা হোক্কী প্লেয়রশিংনা মখোয়-মখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট হোক্কী য়ুনিটশিংদা থা অসিগী ২৫দগী মে ২ ফাওবগী মনুংদা রেজিষ্ট্রেসন অমদি রিন্যুএল তৌনবা মণিপুর হোক্কীগী জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম নেকেননা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা শান্নরোয়শিংগী রেজিষ্ট্রেসন অমদি রিন্যুএলগী খূদোংচানবা অমদি দিষ্ট্রিক্ট রিপ্রজেন্টেটিভশিংদা মতেং পাংনবা মীওই অহুম্না শাবা সব-কম্মিটি অমসু শেম্লে হায়রি। সব-কম্মিটিগী মেম্বরশিং অদুদি সী ঐচ বালা (টেক্নিকেল দিরেক্টর, মণিপুর হোক্কী), এন রঞ্জিৎ মৈতৈ (ট্রেজরর, মণিপুর হোক্কী) অমদি এন রামেশ্বর (জোইন্ট সেক্রেটরি, মণিপুর হোক্কী)নি।

মণিপুর হোক্কীদা এফিলিএট তৌবা দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটশিং অমদি ক্লবশিংনা শান্নরোয়শিং রেজিষ্ট্রেসন অমদি রিন্যুএল তৌরিঙৈ মনুংদা খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা লৈবা মণিপুর হোক্কীগী ওফিসতা অয়ূক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা সব-কম্মিটিগী ওফিসল অহুম অসিদা পাউ ফাওবীরক্কবা মখা তানা চেরোল অসিনা খঙহল্লক্লি।

## ফুটবোল শান্নরোয়শিং লৌনবা ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচ এন এস):

লাইশ্রম ইবোবী স্পোর্টস একাদেমি পোইরৌখোংজিন মমাং লৈকাইগী মীৎয়েং মখাদা হাংলিবা ফুটবোল একাদেমিদা লৈনবা চহী ১২দগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা অমদি চহী ১৭ কী মখাদা লৈবা নুপামচা ফুটবোল শান্নরোয়শিং লৌনবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা মে ১গী অয়ূক পুং ৭তা কোদোমপোকপী ফুটবোল গ্রাউন্দ ৱাংজিংদা পাঙথোক্লগনি হায়না একাদেমি অসিগী সেক্রেটরি লাইশ্রম রঞ্জিৎনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চহী ১২দগী ১৪ ফাওবগী কাঙলূপকী ওইনা শান্নরোয় ৫০ অদুগা চহী ১৭ মখাগী ওইনা শান্নরোয় ২২ লৌগনি। চহী ১৪ মখাগী শান্নরোয়শিংগী ওইনা লেম্না মহৈ তম্বা অমদি স্কোলরশিপকী খূদোংচাবসু পীগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

## বেল্ট রেষ্টলিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচ এন এস):

ছটিশগরগী কোনুং রাইপুরদা লৈবা বালবির সিংহ জুনেজা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা মে ১২দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা চীফ মিনিষ্টর ট্রোফি অহানবা এ আই টি দল্লিয়ু পি এফ ফেদরেসন কপ নেসনল ট্রেদিসনেল রেষ্টলিং এন্দ পেনক্রেসন চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা শান্নরোয়শিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা ঙসি ওল মণিপুর ট্রেদিসনেল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ নোরেন্দ্রো, টেক্নিকেল দিরেক্টর টি ঐচ উদয়চান্দ, সেক্রেটরি জেনরেল সী ঐচ ইবোহল, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী কোচ এল গোকুলচন্দ্র অমদি অতোপ্পা ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

## ষ্টেট মাষ্টর্স এথলেটিক্স টিম ইম্ফাল থাদোক্লগনি


ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচ এন এস):

মাষ্টর্স এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা চেন্নাইদা থা অসিগী ২৭তগী মে ১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪২শুবা নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুগদবা এথলিট ৮৮ অমদি ওফিসল ৩ পূন্না মীওই ৯১না শাবা ষ্টেট মাষ্টর্স এথলেটিক্স টিম থা অসিগী ২২দা খুমন লম্পাক ইন্দোর হোল মমাংদগী স্পিকর টি ঐচ সৈত্যব্রতানা লমথাদুনা টামিল নাদুগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসননা খঙহল্লক্লি।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা এস শামুঙৌবনা মেনেজর, এস রামেশ্বরনা কোচ অমদি এ বেঞ্জানিসনা এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা শরুক য়ারি।

স্পিকর টি ঐচ সৈত্যব্রতানা টামিল নাদুগীদমক লমথাগদৌরিবা অসিদা এথলিটশিংনা থা অসিগী ২২গী অয়ূক পুং ৯ ফাওবগী মনুংদা খুমন লম্পাক ইন্দোর হোলদা য়ৌরক্কবা মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস রামেশ্বরনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 431

GM Gasanov,E (2496) - GM Kovalenko,I (2644)
17th ch-EUR Indiv 2016 Gjakova KOS, 2016.05.15

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 Nf6 | 4.Bg5 Be7 |
| 5.e3 O-O | 6.Rc1 Nbd7 | 7.Nf3 h6 | 8.Bh4 dxc4 |
| 9.Bxc4 a6 | 10.a4 b6 | 11.O-O Bb7 | 12.Qe2 Nh5 |
| 13.Bxe7 Qxe7 | 14.Rfd1 Nhf6 | 15.e4 Rfc8 | 16.e5 Nd5 |
| 17.Nxd5 exd5 | 18.Bd3 Nf8 | 19.Bf5 Rd8 | 20.a5 bxa5 |
| 21.Rc5 Bc8 | 22.Bxc8 Raxc8 | 23.Rxa5 Ne6 | 24.Rxa6 Rb8 |
| 25.Rc6 Rb4 | 26.g3 Rdb8 | 27.Rc2 Qd7 | 28.Rdd2 Qa4 |
| 29.Kg2 Qa2 | 30.h4 R8b6 | 31.Kh2 Qa4 | 32.Kg2 Qd7 |
| 33.Rc3 Ra4 | 34.Rcc2 Nf4+ | 35.gxf4 Qg4+ | 36.Kh2 Rg6 |
| 37.Ng5 Qxf4+ | 38.Kh3 hxg5 | 39.Qg4 Ra1 | 40.f3 Qe3 |
| 41.h5 f5 | 42.exf6 Rxf6 | 43.Rf2 Rh1+ | 44.Kg3 Rg1+ |
| 45.Rg2 Rf4 | 46.Qc8+ Kh7 | 47.Rcf2 Rh1 | 48.Qxc7 Rg4+ |
| 49.Kxg4 ... | | | |

**QUESTION :**
Black to win

**Puzzle 430 Ans. :**
23. Nd7 g6 24. Nxf6+
1-0

CAS Centre for Advanced Studies
No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
ADMISSION IS GOING ON
SPECIAL FOUNDATION COURSES
Seats are Limited First Come First Served
CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)
CLASS X (English, Mathematics, Science & Social Science)
Special features:
- Special Concession for all Students
- Qualified &Experienced Faculties
- Exam. Oriented Study Materials
- Weekly and Monthly Test Series
- Targeted Suggestion for Final Exam
- Vision for toppers in 2023

Classes commencing from 28th April, 2022
Morning Batch (4.30– 7.00) A.M. | Evening Batch (4.30– 7.30) P.M.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
For Details contact:- CAS Office, Centre for Advanced Studies Keishampat Junction,Imphal (Mayai Lambi Road Machin.)
HL-B/7610/21-19

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE 2022-23
XI(Sc) & XII(Sc) (CBSE & COHSEM)
SUBJECT:- PHYSICS, CHEMISTRY, BIOLOGY , MATHS, ENGLISH,MEITEI MAYEK, HOME SCIENCE
Form Issue : 20/04/2022
Class Timing : 4:15pm to 7:30 pm
Class Commencement : 07/05/2022
AVAILABLE HOSTEL SEATS FOR BOYS AND GIRLS OF SCHOOL GOERS
FOR DETAILS :- Plz. Contact, Coordinator APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office. (7:00 am - 4:00 pm)
Contact No. - 8258013846
HL-B/7608/20-24

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref. Mut. Case No. 96/SDC/IW(P) of 2022 20/04/2022**

Khumukcham Ibocha Singh S/o (L) Kuber Singh of Ghari Awang Leikai. -Petitioner

-Vrs-

Late Wahengbam (N) Beni Devi D/o (L) Tongkhomba Singh of Ghari. -Deceased Pattadarini

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

20/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি। ঈ:ও: পাৎসোই তাহশিলগী খুন নং ৮২/ঘরীগী পাট্টা নং ২৫ (অরিবা), ১৪৪/৪৩৬ (অনৌবা)গী দাগ নং ৩১৩/৫৮৮গী এরিয়া .০.৬১৬০ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদারিনি অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মৃ: পাট্টাদারিনি মবোক্কী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না এরিয়া লোইনমক নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারিনিগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৮/৪/২০২২ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/2317/21

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref. Mutation Case No. 71/SDC/NTK/2022**

1. Soraisam Tomba Singh S/o (L) Nilakomol Singh of Sunusiphai.
2. S. Megha Singh S/o -do- of -do- - Petitioners

-Versus-

Late Soraisam Nilakomol Singh S/o Manikchand Singh of Sunusiphai. - Opponent

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 12th April, 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 47-Sunusiphai গী Patta no. 47/72(O), 55(N) Covered by C.S Dag 1194 area 0.12 acres গী Ingkhol ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা ওক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা Ingkhol অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা Apati অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong

HL-P/2084/21

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com